


# সনালৈবাক স্পোর্টস





*সাইবর হেক্কিং গ্রুপ অমনা মেদিকেল রেকোর্দকী মতাংদা ফোংদোকখিবা ৱাফমদা লোৎখিবা অমত্তা লৈতে হায়না রাফেল নদাল অমসুংমো ফারাংনা ফোংদোকখিবা*

*পাকিস্টান ক্রিকেটকী চিফ সেলেক্টর ইঞ্জামাম-উল-হকনা ফোংদোকখিবদা লৈবাক অদুগী ক্রিকেটতা চহি ২০ শান্নরক্লবা মতুং পোত্থহনবদা মতিক চাই হায়না ফোংদোকখ্রবা শান্নরোই সহিদ অফ্রিদি*

## ৬ শুবা পি টিলোটামা দেবী মেমোরিয়েল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬

জিরিবাম, সেপ্টেম্বর ২০ঃ

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এ জে এস এ), জিরিবাম গী মিৎয়েং মখাদা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দদা টিম ১১ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৬ শুবা পি টিলোতামা দেবী মেমোরিয়েল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা আর ৱাই সি না সিক বোষ্টি ৱাই সি বু গোল ৫-১ দা থোইখি অদুগা সেকেন্দ মেটচতনা কুকি এস সি অমদি এল এল এফ সি গোল ৩-৩ চন্নদুনা দ্রো ওইখি।



ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা আর ৱাই সি অমদি সিক বোষ্টি ৱাই সি শান্নখি। আর ৱাই সি না তোচ ঙমদুনা সাইদ খনখি। অদুগা সিক বোষ্টি ৱাই সি না বোল কাওবা হৌখি। আর ৱাই সি গী শান্নরোই কিউকোপৌ না ১২ শুবা মিনটতা গোল অমা চন্দুনা আর ৱাই সি গী একাউন্ট হন্দোকখি। মতুংদা সিক বোষ্টি ৱাই সি গী শান্নরোই রোসন না গোল অমা চন্দুনা টিম অনীমকনা গোল ১-১ দা লৈনখি। মতুংদা আর ৱাই সি গী শান্নরোই কিউগোপৌ গী ২ শুবা গোল ৩৩ অমদি ৩ শুবা মিনটতা গোল ৩৬ দা চন্দুনা অহানবা হাল্ফ মমাংদা আর ৱাই সি না গোল ৩-১ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি। অনীশুবা হাল্ফ মতুংদা অমুক্তদা আর ৱাই সি গী শান্নরোই কিউগোপৌ না মহাক্কী ৪ শুবা গোল অমা ৪৬ শুবা মিনটতা অমুক চনখি। মতুংদা নৈলাচুন না ৭৩ শুবা মিনটতা গোল অমগা চন্দুনা অহানবা মেটচতা আর ৱাস সি না সিক বোষ্টি ৱাই সি বু গোল ৫-১ দা থোইখি। রেফরিনা আর ৱাই সি শান্নরোই কিউগোপৌ বু ৪৩ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি। অদুগা সিক বোষ্টি ৱাই সি গী শান্নরোই সহ জামন বু ৬০ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

অনীশুবা মেটছতা কুকি এস সি অমদি এল এল এফ সি শান্নখি। কুকি এস সি না তোচ ঙমদুনা সাইদ খনখি অদুগা এল এল এফ সি না বোল কাওবা হৌখি। টিম অনীমক কান্না শান্নখি। অদুবু টিম অনীমক গোল ৩-৩ চন্নদুনা দ্রো ওইখি। কুকি এস সি গী গোল অদু থাংবোই না ৩০ শুবা মিনট, লালবোই না ৪৭ শুবা মিনট অমদি সৈ দেবিদ না ৭৪ শুবা মিনটতা গোল অদু চনখি। অদুগা এল এল এফ সি গী গোলশিং অদুনা লালান না ২০শুবা মিনট, মিমিন না ২৬ শুবা মিনট অমদি জিন না ৪৫ শুবা মিনটতা গোলশিং অদু চনখি। রেফরিনা কুকি এস সি গী শান্নরোই জোয়েল বু ৪৮ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি অদুগা এল এল এফ সি গী শান্নরোই মিমিন বু ২ শুবা মিনটতা অমদি সৈতম সিংহ বু ৫৪ শুবা মিনটতা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী ১১ শুবা মিনটতা কে এম ৱাই সি অমদি রেলৱে সি সি শান্নগনি।

## জিট কুন-দো মণিপুরনা ৪ শুবা ওপন নেসনেল মার্সিয়েল আর্ট গেমস ২০১৬ কী টিম চেম্পিয়ন ওইরক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ঃ

অসামগী গুহাৱাটি সহরদা থা অসিগী ১৬ তগী ১৮ ফাওবা মফম অদুগী নেহরু ষ্টদিয়মদা পাংথোকখিবা মরিশুবা ওপন নেসনেল মার্সিয়েল আর্ট গেমস ২০১৬ তা মণিপুরগী টিম্না ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইরক্লে হায়না ঙসি প্রেসতা জিট কুন-দো এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরী না থোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা মণিপুরগী জিট কুন-দো টিম্না ৪ শুবা ওপন নেসনেল মার্সিয়েল আর্ট গেমস ২০১৬ তা পুন্না গোল্ড মেডল ২৮, সিলভর ৪ অমসুং ব্রোঞ্জল মেডল ২ লৌরকপা ঙমখি। মণিপুরগী টিম অদুগী নুপাগী কোচ সি ঐচ নিংথেম্না ওইখি। লোয়ননা নুপীগী কোচনা এম সোনিয়ানি অদুগা মহাক্কী এসিসটেন্টনা কবিতা লোংজমন্না ওইখি।

| | | | |
|---|---|---|---|
| **14 years boys** | | | |
| 1. | T. Likson Singh | Upto 35 kg. | Gold |
| 2. | L. Pari | 30 to 33 kg. | Gold |
| 3. | A. Bikash Singh | 33 to 36 kg. | Gold |
| 4. | P. Joy | 39 to 42 kg. | Gold |
| 5. | L.Koborchung Collin | 42 to 45 kg. | Gold |
| 6. | S. Kenedy | 48 to 51 kg. | Gold |
| 7. | L. Inaoba Singh | 45 to 48 kg. | Gold |
| 8. | H. Shitaljit Singh | 51 to 54 kg. | Gold |
| 9. | H. Ibungo Singh | 54 kg & above | Gold |
| **Full Contact fight** | | | |
| 10. | Kh. Chingkhei Singh | 47 to 50 kg. | Gold |
| **-17 years boys** | | | |
| 11. | Zihilio | 38 to 41 kg. | Gold |
| 12. | Malemnganba Th. | 41 to 44 kg. | Gold |
| 13. | H. Kongston Singh | 44 to 47 kg. | Gold |
| 14. | S. Surjit Singh | 51 to 53 kg. | Gold |
| 15. | Lanchenba Luwang | 53 to 56 kg. | Gold |
| 16. | Jinat Moirangthem | 56 to 59 kg. | Gold |
| 17. | K. Roshan Meitei | 47 to 50 kg. | Silver |
| 18. | T. Rajesh Singh | 59 and Above | Broze |
| **-19 years male** | | | |
| 19. | L. Dinesh Singh | Below 45 kg. | Gold |
| 20. | Ak. Nilson A. | 55 to 60 kg. | Gold |
| 22. | A. Gandhi Singh | 65 to 70 kg. | Gold |
| 22. | N. Adish | 45 to 50 kg. | Silver |
| **+19 years male** | | | |
| 23. | Ch. Ningthem Singh | 50 to 55 kg. | Gold |
| 24. | Soshin Raikui | Below 20 kg. | Silver |
| 25. | Dangaolu Alex | 60 to 65 kg. | Silver |
| 26. | M. Sanatomba Singh | 55 to 60 kg. | Bronze |
| **-14 years Girls** | | | |
| 27. | T.Anjana Devi | 31 to 34 kg. | Gold |
| 28. | Ng. Saniya Devi | 34 to 37 kg. | Gold |
| **-17 years girls** | | | |
| 29. | Y. Premika Devi | 42 to 45 kg. | Gold |
| 30. | S. Yaiphabi Chanu | 45 to 48 kg. | Gold |
| 31. | Y. Pushpa Devi | 48 to 51 kg. | Gold |
| 32. | H. Roshini | 54 kg.& above | Gold |
| **-19 years Female** | | | |
| 33. | M. Soniya Devi | 65 o 70 kg. | Gold |
| **+19 years female** | | | |
| 34. | Kabita Longjam | 45 to 50 kg. | Gold |

**Team Coach (Male) : Ch. Ningthem Singh**
**Team Coach (Female) : M. Soniya Devi**
**Asst. (Female) : Kabita Longjam**

## ভোল্লিবোল লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ঃ

প্রভাবতি কোলেজ ইম্ফালনা য়ুম্বু ওইদুনা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১৯ দগী পাংথোক্লকখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর-কোলেজ ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬-১৭ ঙসি লোইশিনখ্রে।

ঙসি লোইশিনখিবা টুর্নামেন্ট অদুগী নুপাগী ফাইনেলদা শান্নখিবা ময়াই লম্বী কোলেজ অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মেটচ অদুদা ময়াই লম্বীগী কোলেজগী টিমনা এম য়ু টিম্বু ২৫-১৬, ২২-২৫, ২৫-২০, ২৫-২১ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী গোল্ড মেদল অদু লৌখি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা হন্দক্কী টুর্নামেন্ট অসিগী রন্নর্স অপ টিম ওইখ্রে।

নুপীগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা থম্বাল মরিক কোলেজ টিম্না লিভরেল কোলেজ টিমবু ২৬-২৪, ২৫-১৭, ২৫-১৮ দা থোইদুনা এম য়ু ইন্টর-কোলেজ ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অদুগী গোল্ড লৌখি। ফাইনেল শান্নখিবা লিবরেল কোলেজগী টিম অদুনা রন্নর্স অপকী টাইটল লৌখি হায়না ওর্গনাইজিং কম্মিটি স্পোর্টস প্রভাবতি কোলেজ ময়াং ইম্ফালগী চিয়রমেন ওইরিবা কোলেজ প্রিন্সিপাল টি ঐচ চাওবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## ৱার্ল্ড মার্সিয়েল আর্ট গেমসকী ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাংথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ঃ

কিয়োকুনসিকাই কারাটে এসোসিয়েসন মণিপুরনা শীন্দুনা মণিপুর অমদি ইন্দিয়ান টিম শেম্নবা ত্রাইয়েল সেলেক্সন অমা খুরাই পুথিবা লৈকায়দা লৈবা ওকিবুকায় দোজোদা থা অসিগী ২৫ গী অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা পাংথোক্লগনি হায়না স্পোর্টস কারাটে এসোসিসেন ওফ মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরীনা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চহি নবেম্বর ৩ দগী ৮ ফাওবা ন্যু দিল্লিগী ইন্দিরা গান্ধি ষ্টদিয়মদা পাংথোক্কদৌরিবা অনীশুবা ৱার্ল্ড মার্সিয়েল আর্ট গেমতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী টিম শেম্নবা ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসি পাংথোক্কদৌরিবা হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

অনীশুবা ৱার্ল্ড মার্সিয়েল আর্টতা পুন্না ইভেন্ট ৪৩ গী মথক্তা তোঙান তোঙান্বা লৈবাক কয়াদগী লাকপা মার্সিয়েল আর্ট শান্নরোইশিংনা লান্বা তৌনগদৌরি।

## অনুপ কুমারনা কবাদ্দি ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী টিম লুচিংগদৌরি

মুম্বাই, সেপ্টেম্বর ২০ঃ

চৎলিবা চহী অসিগী ওক্তোবর ৭ তগীনা ২২ ফাওবা ইন্দিয়াগী গুজরাটকী সহর অহমেদবাদনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা কবাদ্দি ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী টিমগী কেপ্টেন অনুপ কুমারনা ওইরগনি।

লৈবাক ১২ দগী লাক্কদৌরিবা টিমগা লম্বা তৌনগদৌরিবা কবাদ্দি ৱার্ল্ড কপ অসিদা ইন্দিয়াগী মীওই ১৪ না শাবা স্কৱাদ অদুদা অনুপ কুমারনা কেপ্টেন ওইরগা ওল-রাউন্দর মনজিট চিল্লরনা ভাইস কেপ্টেন ওইগদৌরি।



*ইন্দিয়াগী কবাদ্দি ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াগদবা টিমগী কেপ্টেন অনুপ কুমার ক্রিকেটকী লিজেন্দ কপিল দেব*

ইন্দিয়াগী টিম লাওথোকপগী ৱারোল অদু ঙসি মুম্বাইদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি। ইন্দিয়াগী টিম অসি হেদ কোচকী থৌদাং অদু বলৱন সিংহনা লৌগদৌরি। অদুগা ই বাস্করন্না মহাক্কী দিপ্যুটি ওইগদৌরি।

অহমেদবাদতা চত্থখিবা ত্রেনিং কেম্পতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুনা য়াম্না অকনবা ত্রেনিং শরুক য়াখি। লোয়ননা কেম্প অদুদগী ইন্দিয়াগী কবাদ্দি সেলেক্তরশিংনা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোই ১৪ খনগৎখিবনি হায়না হেদ কোচ ওইরিবা বলৱন সিংহনা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তাখিবদা মমাঙদা পাঙথোকখিবা কবাদ্দি ৱার্ল্ড কপশিংদগী হন্দক্কী অসিনা খ্বাইদগী অকনবা লম্বা থেংনগদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ অমা ওইরি হায়খি।

ঙসি মুম্বাইদা ইন্দিয়াগী টিম অদুগী শান্নরোইশিংগী মমিং লাওথোকপগী থৌরম অদুদা কুমজা ১৯৮৩ দা ৱার্ল্ড কপ ক্রিকেট চেম্পিয়ন ওইখিবা ইনিদয়ান টিমগী কেপ্টেন কপিল দেবনা কবাদ্দি শান্নরোইশিং অদুগী য়ুনিফোর্ম অদুগী মায়খুম হাংদোকখি।

কপিল দেবতা অনুপ কুমারনা করম্না য়াম্না লুরবা তানফমদা মহাক্লা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম অদুবু লুচিংদুনা টাইটল লৌখিবনো হায়না হংখিবদা শান্নরোই অমনা টিমগী স্পিরিট অদু লৈরবদি প্রেসর অমত্তা লৈতনা শান্নবা ঙম্মী। মশান্না অদুবু থৱায় য়াওনা শান্নরবতদা ফল লাক্কদবনি। মেটচ মনুংদা অশোয়বাঅমা লৈরবদি কেপ্টেন অমনা মরাল লৌফম থোকই। অদুগা টিম অদুনা ফজরকপদসু কেপ্টেন অদুবু থাগৎফম থোকই।

ৱার্ল্ড কপ কবাদ্দি অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা লৈবাকশিং অদুদি ইরান, সাউথ কোরিয়া, বংলাদেশ, য়ু এস এ, ইংলেন্দ, ওষ্ট্রেলিয়া, পোলেন্দ, থাইলেন্দ, জপান, আর্জেন্টিনা অমসুং কেনিয়ানি।

ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোইশিং অদুদি-অনুপ কুমার (কেপ্টেন, হরিয়ানা), অজয় ঠাকুর (হিমাচল প্রদেশ), দিপক হুদা (হরিয়ানা), ধর্ম্মরাজ সেরালাথন (তামিল নাদু), জসবির সিংহ (হরিয়ানা), কিরন পারমর (গুজরাট), মনজিট চিল্লর (ভাইস কেপ্টেন, পঞ্জাব), মোহিট চিল্লর (পঞ্জাব), নিটিন তোম্মর (উত্তর প্রদেশ), পরদিপ নরৱাল (হরিয়ানা), রাহুল চৌধুরি (উত্তর প্রদেশ) অমসুং হরিয়ানাদগী সন্দিপ নরৱল অমসুং সুরেন্দর নদা

## জুৱান মাতা অমদি ফেলালিনা মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকীদমক থৌনা হাপখ্রে



লন্দন, সেপ্টেম্বর ২০ঃ

নুমিৎ ৮ নিগী মনুংদা থংন-থংননা অহুমলক মায়থিবা নংলবা মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মিদ-ফিল্ডরশিং মারাউনে ফেলানি অমদি জুৱান মাতানা ইংলিস ক্লব অসিনা পুন্না, য়াম্না মতিং লৈনা, থোং মান্ননা শান্নমিন্ননবগী তঙাইফদবা ফোংদোকপগী ৱারোল থন্নকখ্রে। নিংশিংবা য়াই মদুদি ক্লব অসিনা শগোলশেন নুমিত্তা ৱাটফোর্দ টিমগা শান্নবদা পাঞ্জল ১-৩ দা মাইথিহৌবদগী য়াম্না মোরেল দাউন্দ ওইবগী ফিভমদা লৈরিবনি। লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা নোর্থামতোন টাউনগা শান্নগদবা লীগ কপতা প্লেয়র খুদিংমক্কা থৱায় হকচাং য়াওনা শান্নদুনা মায় পাক্লবদি মাংখিবা মোরেল হঞ্জিল্লক্লবগী চপ চারবা তাঞ্জা অমনি হায়না বেলজিয়ান মিদফিল্ডর ফেলানিনা ফোংদোকখ্রে। মহাক্লা মখা তানা ক্লবকী ৱেব-সাইততা থাদোরকপা চেরোলদা প্লেয়রশিংনা থংননা মেটচ মরী মাইথিবদা মুদ দাউন চৎলবসু মতম লৈরি, লাক্কদবা মেটচ খুদিং থোং মান্ননা শান্নদুনা ওপোনেন্ট খুদিং মায়থিবা পিবা ঙম্বা হৈ শিংলবা ফুটবোল্লর ঙাক্তনি। ঐখোয় পুন্না থৱায় য়াওনা শান্নসি অমদি পুম্নমকপু মায়থিবা পীদুনা ঐখোয় মাংলুরবা থাজবদু অমুক হল্লক্লবা হোৎনসি হায়না ফোংদোরকখি।

জুৱান মাতাসু মহাক্লা হান্ননা হায়খিবা ফুটবোল হায়বা মশান্নসিদি ঙসি থোইবা ঙম্বনা অরোইবা নত্তে, মতম খুদিং অফবা মশান্নগী ৱাখল খনগদবনি হায়বদুমক থোক্লরে হায়না মহাক্কী ওইবা ৱারোল ফোংদোরকখিবগা লোয়ননা মাইথিবনা অনৌবা পারা অমা ওইরগা তুংদা লাক্কদবা মেটচশিং নিংথিনা শান্নবগী পিগদবনি, হৌজিক তক্সি শোন্নবগী মহুৎ মথংগী মেটছকীদমক শেম শারসি, ঐখোয় মায় পাকপা টিম ওইগদবনি হায়না মখা তানা ফোংদোরকখি।

মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা থাংজ নুমিত্তা ই এল পি চেম্পিয়ন লেকেষ্টর সিতিগা শান্নদ্রিঙৈ মমাংদা চয়োল অসিদা নোর্থামতোন টাউনগা শান্নগদবা মেটচ অমা লৈরিবনি। করিগুম্বা য়ুরোপিয়ান ফুটবোল লীগ কপতা নোর্থামতোন টাউন মাইথিবা পীরবা মতুং হেন্না খুদোংচাবা তাঞ্জা অমদি হান্নগী ইংলিস প্রেমিয়র লীগ চেম্পিয়ন লৈকেষ্টর সিতিগা শান্নগদবা মেটচ তুদা মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা মায় পাকপা ঙম্লবদি সপ্পোর্টর ময়াগীসু মতেং হেন্না ফংলক্কনি হায়নসু মিদ-ফিল্ডরশিংনা থাজবা থন্নকখিবনি।

## আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপতা ইন্দিয়াগী ওইনা শান্নরোই ৩ না শরুক য়ারগনি

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২০ঃ

মথংগী থাদা বোলোগনা সহর অমদি রোমদা পাংথোক্কদবা চহি অসিগী অরোইবা আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপ কাইনেলসতা ইনিদয়াগী ওইনা জিতু রাই, সঞ্জিব রাজপুত অমদি মাইরাজ অহমদ খান্না শরুক য়ারগনি।

দি রাইফল এন্দ পিস্টোল ইভেন্টনা ওক্টোবরগী তাং ৪ দগী ১০ ফাওবা বোলেগনাদা পাংথোক্কনি অদুগা সোটগন ইভেন্টনা ওক্টোবর ১০ দগী ১৬ ফাওবা রোম সহরদা পাংথোক্কনি হায়রি।

জিতু রাইনা মেন্স মিটর ১০ অমদি মিটর ৫০ পিস্টল শরুক য়াগনি। এক্সপরিয়েন্স লৈরবা সঞ্জিব রাজপুতনা মিটর ৫০ রাইফল ৩ পোজিসন্দা অদুগা মাইরাজনা মেন্স স্কিত ইভেন্টতা শরুক য়াগদৌরি।



অরোইবা সুটিংগী ইভেন্ট অসিদা মমিং লৈরবা হান্নগী চেম্পিয়ন অমদি হন্দক্তা লোয়খিবা রিও ওলিম্পিক্সতা চেম্পিয়ন ওইখিবা তোপ সুত্তর ৮ গা লোয়ননা রাইফল ইভেন্টতা লৈবাক ৩৪ দগী সুট্টর ১১৯ না অমদি পিস্টল ইভেন্টকী ওইনা লৈবাক ৩৪ দগী সুত্তর ১১৯ অমদি পিস্টল ইভেন্টকী ওইনা লৈবাক ২৬ তগী সুত্তর ৫৮ না সোটগন কুম্পটিসন অসিদা শরুক য়াগনি হায়না ফোংদোরক্লি।